# চরাংনবা মরক্তা রাজ্য সভাদা আর টি আই এমেন্দমেন্ট বিল অমদি লোক সভাদনা ত্রিপল টলাককী বিল পাস তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৫ (এজেন্সী): ওপোজিসননা ফনা কন্না অথিংবা পীনবা থৌরাং লৌখৎলকখ্রবসু রাজ্য সভাদা ঙসি রাইট টু ইনফোর্মেসন (আর টি আই) এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌখ্রে।

বিল অসিগী মতাংদা ভোট লৌনরম্ব্বদাইদা কোংগ্রেসকী মেম্বর পুম্নমক হাউসতগী মপান থোকখিরম্মী। আর টি আই বিলগা মরী লৈননা ঙসি পার্লিয়ামেন্টতা ওপোজিসন অমসুং রুলিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা য়েৎনখি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লোক সভানা পাস তৌখ্রবা বিল অসি রাজ্য সভাদা পুখৎলকপদা ওপোজিসনগী মেম্বরশিংনা সিলেক কম্মিতি অমদা হান্না রিফর তৌবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি।

ত্রিণামুল কোংগ্রেসকী মেম্বর দেরেক ও ব্রেয়ননা হায়খি, টি-২০ মেচ নত্তবা মরম্না এমেন্দমেন্ট বিল অসি পার্লিয়ামেন্টনা মতম চঙনা নৈনবা তঙাইফদে। অতোপ্পা মেম্বর অমনসু বিল অসি অচা-অথক শেম শাবগুম্বা নত্তে হায়না ফোঙদোকখি।

ছোর্স অমগী মতুং ইন্না বিজু জনটা দল, টেলঙ্গনা রাষ্ট্র সমিতি অমসুং ৱাই এস আর কোংগ্রেসনচিংবা নাকল অমত্তগী মীচঙদা লৈতবা পার্টিশিংনা শৌগৎলকপা মরম্না রাজ্য সভাদা বিল অসি পাস তৌবা ঙমখিবনি হায়না থাজনরি।

ৱাই এস আর কোংগ্রেসকী বিজয় সাই রেদিনা হায়খি, বিল খুদিংমক ষ্টেন্দিং কম্মিতি নত্রগা সেলেক্ট কম্মিতিদা থাগদবনি হায়বা ৱাফম লৈতবনা আর টি আই (এমেন্দমেন্ট) বিল পাস তৌবদা শৌগৎনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

মমাঙদা টি আর এসনা বিল অসিগী মায়োক্তা লেপ্পল্লবা তারবসু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা টি আর এসকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা টেলঙ্গনাগী চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাউদা টেলিফোন তৌরকখ্রবা মতুংদা পার্টি অসিগী ফিরেপ লৌখৎখিবনি।

এমেন্দমেন্ট বিল অসিগী মতুং ইন্না ষ্টেট অমদি ষ্টেটকী থাক্তা ইনফোমেসন কম্মিস্নারগী সেলরি, থবক পায়বগী মতম অমসুং অতৈ টর্ম ওফ সার্ভিসকী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ লৌরগনি। ওপোজিসননা বিল অসিবু আর টি আই ইলিমিনেসন বিল হায়না মংথোন পীখিবগা লোয়ননা হায়খি মদুদি, কম্মিসনগী মনিং তম্বা পুম্নমক মাংহনগদবা বিল অসি পাস তৌবা চুমদে।

অমরোমদা, লোক সভানা ত্রিপল টলাক থিংনবগী বিল অমা পাস তৌখ্রে।

নাকল অনী অকনবা মওংদা য়েৎনরবা মতুংদা বি জে পিগা চৎমিন্নরিবা নিতিস কুমারনা লুচিংবা জনটা দল য়ুনাইটেদকী এম পিশিং হাউসতগী মপান থোকখ্রবা মতুংদা বিল অসি পাস তৌখিবনি। অতোপ্পা ওপোজিসন পার্টি অনী - কোংগ্রেস অমদি ত্রিণামুল কোংগ্রেসকী হাউসতী মপান থোকখি।

লোকসভাদাপাস তৌখ্রবা ত্রিপাল টলাক্কী বিল অসি অথুবা মতমদা রাজ্য সভাদসু পাস তৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি। অদুম ওইনমক আর টি আই এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদা লেপখিবা এম পিশিংনা ত্রিপাল টলাক্কী বিল য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবা মরম্না বিল অসি রাজ্য সভাদা পাস তৌবদা খরা ৱানা থোক্কদৌরি।

বিল অসিগী মতুং ইন্না অহুল্লক টলাক হায়রগা মশামক্কী লোয়নবী খাইনবগী থৌওং চথুবা নুপাশিং জেলদা থম্বগী ৱাফম বিল অসিদা য়াওরি। হাউসতা বিল অসি পুখৎলদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রবি সঙ্কর প্রসাদনা হায়খি মদুদি নুপা অমসুং নুপীগী মরক্তা চপ মান্নবা রাইট ফংহন্নবগী পান্দমদা বিল অসি পাস তৌবা তঙাইফদে।

পাকিস্তান অমসুং মলেসিয়া য়াওনা মামেলগী তোঙান-তোঙানবা মুস্লিম লৈবাক ২০ হেনবনা ত্রিপল টলাক্কী চৎনবী থিংবা লৈখ্রে। কাংলুপ ফুরুপ খাইদনা অমসুং নুপা-নুপীগী রাইট মান্ননা হিংমিন্নরিবা ইন্দিয়াদসু চৎনবী অসি থিংবা মতম ওইরে হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

চহী ২গী মমাঙদা সুপ্রিম কোর্টনা ত্রিপল টলাক্কী চৎনবীবু কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি হায়না ফোঙদোকখিবা তারবসু লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা ইস্লাম লাইনিং চৎপা মীওইশিংনা চৎনবী অসি ঙাক্লা চৎলি। য়ুমশকৈশা নুমিৎতা কোংগ্রেসকী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধিনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা ওপোজিসন পার্টিশিংগী মীফম অমনা ত্রিপল টলাক অমদি অতৈ য়েৎননিংঙাই ওইবা বিলশিং পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিতিদা রিফর তৌদেহায়বগীদমক পার্লিয়ামেন্ট মীফম বোই কোট তৌনবা থৌরাং লৌখৎখিবনি।

# হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টরশিংদা কত্থোক্লবা গ্রান্দ ম্যুজিয়ম অমা ন্যু দিল্লিদা শারগনি ঃ নরেন্দ্র মোদি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৫ (এজেন্সী): লৈবাক্ক প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা মীওই পুম্নমক্তা কত্থোক্লবা গ্রান্দ ম্যুজিয়ম অমা ন্যু দিল্লিদা শারগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর চন্দ্রসেখরগী মরমদা ইবা লাইরিক অমা ফোঙবগী থৌরমদা মোদিনা হায়খি, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা মীংওইশিংগী মতাংদা অচৌবা ম্যুজিয়ম অমা ন্যু দিল্লিদা শানবা থৌরাং লৌখৎলগনি। হিরম অসিদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা অঙম্বা থাক্তগা মতেং পাঙবগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবগী খুদোংচাবা লৌরগা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, কোংগ্রেস পার্টিনা ডা. বি আর অম্বেদকর অমসুং সর্দার পতেলনচিংবা লৈবাক্কী মশক নাইবা লুচিংবশিং মীংচৎ থিহন্নবা থৌরাং লৌখৎলক্কি। হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর চন্দ্রসেখরনা লৌরম্বা থৌদাং শীংথারদুনা মহাক্লা হায়খি, লৈখিদ্রবা চন্দ্রসেখরনা হিংলিঙৈ মতমদা লৌমী অমসুং লাইরবা মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলম্মী।

মতম অমদা চন্দ্রসেখরনা পাঙথোকখিবা নীংশিংনিংঙাই ওইরবা পদযাত্রা ঙসি ফাওবা কনা অমত্তনা শক্লা শোন্নবীদ্রে। ঙসিদি করিশু নত্তবা মীওই অমনা শুপ্ন গী কিলোমিটর ১০খক খোঙচৎ অমা চৎপদা টেলিভিজন চেনেল কয়াদা পাক শন্না কভরেজ পীরি। অদুবু লাইরবা লৌমী অমসুং শীন্মীশিংগীদমক চন্দ্রসেখরনা পাঙথোকখিবা পদযাত্রাদি হৌজকসু মীই অমত্তনা নীংশিংবীদ্রে।

হান্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা মীওইশিংগা মরী লৈনবা ম্যুজিয়ম অমা শান্নবা থৌরাং লৌখৎলকপদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ পেট্রোলিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস ধরমেন্দ্র প্রধাননা মপুং ফানা শৌগৎপা ফোঙদোকখি।

# বিহার, ঝরখন্দ অমসুং উট্টর প্রদেশতা ব্রজ তারকপনা মীওই ৭০ শীহনখ্রে

পটনা, জুলাই ২৫ (এজেন্সী): হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা উট্টর প্রদেশ, বিহার অমসুং ঝরখন্দনা ব্রজ তারকপনা মরম ওইরগা য়ামদ্রবদা মীওই ৭০ শীহনখ্রে।

পুং ২৪গী মনুংদা বিহার খক্তদা মীওই ৩৯ শীখি। ঝরখন্দনা মীওই ২৮ অমসুং উট্টর প্রদেশতা মীওই ৬ শীখি। থৌদোক অসিগী মাংওইননা ব্রজ তারকপদা মীওই ৩ শীখ্রবনি। পুন্না হৌজিক ফাওবদা মীওই ৯৩ শীরগা কয়া অমনা অশোক অপন নংলি। ঝরখন্দগী জমটরা অমসুং লতেহরদা মীওই ৬/৬, ছত্রদা মীওই ৪, গর্ৱা অমসুং দুমকাদা মীওই ৩/৩, গিরিদি অমদি পকুরনা মীওই ২/২ অদুগা ধনবাদ অমসুং দিওগরদা মীওই ১/১ শীখি।

ওফিসলগী মতুং ইন্না অশিবগী মশিং অসি মখা তানা হেনগৎলকপা য়ারি হায়রি। মরক অসিদা ঝরখন্দ অমসুং য়ু পিগী লৈঙাক্লা থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুংগী মীওইদা লুপা লাখ ৪/৪গী এক্সগ্রেসিয়া পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ৱেদরগী ওফিসতগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না ষ্টেটশিং অসিদা জুন থাদগীনা সেপ্টেম্বর থা ফাওবদা মুন্সন লাকপা মরম্না ব্রজ তাবগী থৌদোক অসি হেক হেক থোকই হায়রি।

অমরোমদা বিহারদা ঈশিং ঈচাওগী ফিভম অসি ফগৎলকপা লৈত্রি। মীওই ১২৩ শীখ্রবা মতুং লাখ ৮১ হেনবনা অৱাবা মায়োক্লরি।

# সুপ্রিম কোর্টনা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা পোক্সোগী কোর্ট লিংখৎনবা খঙহনখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৫ (এজেন্সী): অঙাংগী মায়োক্তা চথুবা সেক্স্যুল এসোল্টকী কেসশিং খোঙজেল য়াংনা ট্রায়েল চথুবা ঙমহন্নবগী পান্দমদা লৈবাক অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা পোক্সোগী স্পেসল কোর্ট অমমম লিংখৎকদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে।

অসিগুম্বা মখলগী কেস ১০০ হেন্না পন্দুনা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা স্পেসল কোর্ট লিংখৎনবা য়াথং পীরদুনা এপেক্স কোর্টনা হায়খি, নুমিৎ ৬০নিগী মনুংদা কোর্টশিং মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা হৌগদবনি। স্পেসল কোর্ট লিংখৎপা, জজ খনবা, সপোর্ট ষ্টাফ হাপ্পা অমসুং স্পেসল প্রোজিক্যুটর কনবদা চঙবা শেনফম পুম্নমক সেন্টরনা পুথোক্কদবনি হায়নসু সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকখি।

সেপ্টেম্বর ২৬তা কোর্টনা হিরম অসিগা মরী লৈননা মখা তাবা য়াথং পীগদৌরি। পন্দুনা লৈরিবা চাইল্ড রেপ কেস লাখ ১.৫ রোম ৱায়েল চথুনবা পোক্সোগী কোর্ট ৬৭০ লৈরে অমসুং নুমিৎ খুদিংগী জজ অমনা কেস ২২৪ ৱায়েল চথুরি হায়না এমিকস ক্যুরে গীরি অমসুং সুপ্রিম কোর্টগী রেজিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা স্পেসল কোর্ট অমমম লিংখৎনবা য়াথং পীখিবনি।

রাজ্য সভানা পোক্সো এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌদুনা অঙাংদা সেক্স্যুল ক্রাইম চথুবা মীওইশিং শীনবগী চৈরাক পীনবা থৌরাং লৌখৎলকখ্রবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং অসি পীখিবনি।

রাজ্য সভাদা পাস তৌখ্রবা বিল অদু হৌজিক হৌজিক লোক সভাদা পাস তৌনবা হোৎনরি। ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানিনা পুখৎলকখিবা বিল অদু পার্টিগী খেন্নবা ৱাখল্লোল থাদোক্লগা রাজ্য সভাগী মেম্বর খুদিংমক্লা শৌগৎখি।

# কর্নাটকাদা বি জে পিনা লৈঙাক শেম্নবা ক্লেম তৌদ্রি

বেঙ্গলুরু, জুলাই ২৫ (এজেন্সী): কর্নাটকাদা কোংগ্রেস অমদি জনটা দল সেক্যুলরগী চুংশিন্নবা লৈঙাক ইন্থুখিবা রেবেল এম এল ১৫গী মতাংদা স্পিকরনা অরোইবা ৱারেপ অমা লৌদ্রিবা ফাওবা বি জে পিনা ষ্টেট অসিদা লৈঙাক শেম্নবা ক্লেম তৌখিরোই হায়রি।

বি জে পিগী স্পোক্স পার্সন জি মধু সুদননা হায়খি মদুদি, রেবেল এম এল এশিং ফম থাদোকপগী মতাংদা স্পিকরনা মতম শাংনা ৱারেপ লৌবা ঙমদ্রবদি গভর্ণর বাজুভাই বলামনা ষ্টেট অসিদা প্রসিদেন্ট রুল থম্নবা রেকমেন্দ তৌবা য়াই। থা অসিগী হৌগৎলকপদা কোংগ্রেক্কী এম এল এ ১৩ অমসুং জে দি এসকী এম এল এ ৩ ফম থাদোক্লবা চেরোল পীশিল্লকখিবগী মতাংদা স্পিকরনা হৌজিক ফাওবা ৱারেপ লৌবা ঙমদ্রি।

এম এল এ ১৫না ফম থাদোকপগী মতাংদা স্পিকরনা অয়াবা পীখিবা তারবদি এসেমব্লীগী অপুনবা সিট মশিং ১০৫দা হন্থরগনি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা থাজবগী ভোট লৌনবদা মেম্বর ১০৫না বি জে পিগী লৈঙাক্তা শৌগৎলকখিবনি।

এন দি টি ভিদা পীখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা কুমারস্বামীগী অপোকপা ঐচ দি দেবেগৌদানা হায়খি, বি জে পিনা লৈঙাক পায়রকপা তারবসু এম এল এ মশিং ৱাৎপা মরম্না মরা চেৎপা লৈঙাক অমা লৈহনবা ঙম্লোই।

অমরোমদা, ইন্দিপেন্দেন্টএমএল এ অনীনা পিটিসন লৌথোকচরগে হায়না পুখৎলকপা ৱাফম অমা সুপ্রিম কোর্টনা অয়াবা পীখ্রে। চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হায়খি মদুদি, এম এল এ অনীনা পীটিসন লৌথোকচরগে হায়না পুখৎলকপা ৱাফম অয়াবা পীরে। জষ্টিস দিপক গুপ্তা অমদি জষ্টিস অনীরুধা বোসসু য়াওবা বেঞ্চ অদুনা এম এল এ অনী- আর সঙ্কর অমদি ঐচ নাগেসকী পিটিসন ৱিদ্রো তৌবগী মতাংদা অয়াবা পীখি। পিটিসন ৱিদ্রো তৌনবগী ৱাফম পুখৎলকপদা সিনিয়র এদভোকেট অমত্তা য়াওখিদবগী মতাংদা এপেক্স কোর্টনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।


## PILES OPERATION তৌদনা ওজা কবিরাজ অবদুল হককী হীদাক চাজবদগী মপূং ফানা ফজরে

অশেংবমক ৱাঙ্গৌই ষ্টেট বেঙ্ক অৱাংদা লায়েংবিরিবা ওজা Abdul Hak, Contact No. 8794429681গী হীদাক চাজবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী অৱাবা খোঙ হাম্বা মরক-মরক্তা ঈ য়াওবা, শৌজ নাম্থবা ইনখৎত্রিফাওবা চংদবা, খোঙ হাম্বা বেরা কাবা, কুইনা চঙবা, শৌজ মপান্দা হাকৎচবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, পুক খোংবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবনি। অদুবু ওজাগী হীদাক চাজবদগী হকচাং য়াম্না নুংঙাইজরে। পাইলস মপূং ফানা ফজরে। হৌজিক্তি ঐঙোন্দা নুংঙাইতবা অমফাওবা লৈজদ্রে। মরম অসিনা ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**

1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30 p.m.)
2. 7th MR Khabeisoi Gate, (Wed.-Thurs.) (10am-4pm)

*থাগৎচরিবা :* **Sh. Sunil Meitei** Naorem Leikai

HL-P/3428/26



## URGENT JOB NEWS

Government Regd. No. Kj/65(com.estt) of 2016

(First come & First Chance)

| Sl. | Name of Post | Salary | Post | Qualn. |
|---|---|---|---|---|
| 1. | EDUCATION LOAN AVAILABLE (HURRY, HURRY) | | | |
| 2. | Wanted Immediately for Airport Job vacancy at IGI / Bangalore & Hyderabad (Semi Govt. Job). | | | |
| | i. Air Hostess / Cabin Crew (Fresh) | 45,000 – 3 lac | 20 | XII/G |
| | ii. G-Retail CSA / G-Shopping Mall | 15,000 – 90,000 | 20 | X/XII |
| | iii. G-Head Officer/ VIP Lounge Staff. | 17,000 – 90,000 | 30 | G/M |
| | iv. G-Loader / Flight Cleaner | 13,000 – 60,000 | 40 | VIII/X |
| | v. G-Potter Staff / Meet & Asst. Staff | 15,000 – 50,000 | 20 | X/XII |
| | vi. Airport Driver (Heavy) | 15,000 – 90,000 | 20 | X/XII |
| | vii. Cargo Asst. Staff | 15,000 – 90,000 | 20 | XII/G |
| 3. | Urgent Imphal Post Vacancy 100% success guide. | | | |
| | i. Office Reception (Female) | 4,000 – 10,000 | 10 | X/XII |
| | ii. Driver / House Keeping (M) | 5,000 – 10,000 | 10 | VIII/X |
| | iii. Security Guard / Ladies Guard | 6,000 – 10,000 | 30 | VIII/X |
| | iv. VIP Gunman guard / Ex-Serviceman | 8,000 – above | 20 | VIII/X |
| | v. Accountant | 8,000 – above | 5 | B.Com |
| | vi. PHP, My SQL Web/Net Adroid Dev. | 8,000 – above | 5 | G/M |
| | vii. Soft Engg./Android Dev. (Fresh/Exp.) | 10,000 – above | 5 | G/M |
| | viii. Micro R.O./Driver (D.I or V.I.P) | 7,000 – above | 10 | VIII/X |
| | ix. Micro Finance P.R.O. / Micro C.R.O. | 7,000 – 40,000 | 20 | XII/G |
| | x. Field Service Technician (M) | 7,000 – 10,000 | 5 | ITI (EL) |
| | xi. Store keeper with Comp. Knwd. (M) | 6,000 – 12,000 | 5 | G/M |
| | xii. Salesman / Cook (M/F) | 5,000 – above | 5 | VIII/X |
| | xiii. Warden / Chawkidar | 5,000 – above | 5 | VIII/XII |
| 4. | No Deposit work at Imphal. | | | |
| | i. Manager (M) / Accountant | 6,000 – 15,000 | 10 | G/M |
| | ii. Driver / Helper | 5,000 – 15,000 | 10 | VIII/X |
| | iii. Sales – executive (M/F) | 5,000 – 20,000 | 40 | X/XII/G |

Date of Submission : 16-08-2019
Date of Interview : 17-08-2019
Pliz Contact : +91 9774361669/8131087993
Office Hour : 10.00 a.m. to 4.00 p.m.

*Please Contact & Concern*
**Emoinu Job Consultant**
Keishampat Opp. CCpur Bus Parking
Near Poknapham Press Gate

HL-P/3439/24,26,29,31,2,5,7,9,12



## ADMISSION OPEN
## ENGLISH & RHYMES COURSES

For

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/5403/21/5-20/6



## B.SC NURSING ADMISSION OPEN 2019-2020

at Gitam University, Visakhapatnam

ADMISSION WITHOUT ENTRANCE TEST FOR MANIPUR STUDENTS

- Tution Fees Rs 30,000/- per year
- Food & Accommodation Rs. 45,000/- per year

**Eligibility Criteria : 10+2, PCB 50%** (only female candidate)

Top deemed University having own medical college & hospital

ADMISSION OPEN FOR B.Sc. Nursing & GNM 2019-20 at Dr. PSIMS & RF Vijayawada A.P.

B.Sc Nursing : Fees Rs. 45,000/- p.a. Hostel Rs. 4000/- p.a.

*Eligibility - 10+2 PCB 45% (Aggregate)*

GNM : Rs 15000/- p.a. Hostel Rs 3000/- p.a.

*Eligibility - 10+2 passed any stream 40%*

Mess Fee : Rs. 1,800/- per month (for both B.Sc. Nursing & GNM)

One of the best Medical College in South India, own hospital having 850 beded inside the campus. (Recognised by INC & affiliated to Dr. NTR University

EDUCARE ZONE Babupara, Near BOSEM, Imphal
# +91 6009062261, 8794026277

HL-P/3874/2-30(alt.) www.gitam.edu www.drpinnamanenisimsrf.edu.in



## 2nd MATHEMATICAL (WIZARD) COMPETITION 2019

ORGANISED BY: EDUCITY

Sagolband Tera Tongbram Leikai, Near Oriental College Imphal-795001

Submission Fee Rs. 300/-
Last Date of Submission: 16th July, 2019
Class I to X (classwise)
Sub : Mathematics (100 marks)
Date of Exam: 21st & 28th July, 2019 (Sunday)
Timing : 8:30 am to11:30 am, 12:30 pm to 3:30 pm

Class I to V on 21st July, 2019
Class VI to X on 28th July, 2019

Class I, II, III, VI & VII 8:30–11:30 am
Class IV, V, VIII, IX & X 12:30–3:30 pm
in their respective dates

**Prizes**

1st Position – Rs. 7,000/- x 10 + Certificate
2nd Position – Rs. 5,000/- x 10 + Certificate
3rd Position – Rs. 3,000/- x 10 + Certificate
4th to 10th position – Special Package

*Special Prizes

1. Best Student will be announced as "Mathematical Wizard of the Year" (which secured 100 marks) with a prize of Rs 3,000 and Mementos
2. Best School to the School of the Best Students (Rs. 3,000/- + Mementos)

* Forms available at all the leading book stores and schools of Manipur.

1. Siroi Paper Mart - Singjamei Bazar & Kwakeithel 2. Chanura Photo - Kakwa Bazar 3. Heemabala Book Store- Canchipur 4. Universal Book Store - Lilong Bazar 5. K.B. Stationery - Wangjing Bazar 6. Mangol Stationery - Kakching Bazar 7. PP Collection & Stationery - Kakching Bazar 8. Echan Stationery - Wabagai Lamkhai 9. Baby Book Store - Mayang Imphal 9. M/S Computer - Thongkhong Luxmi Bazar, 10. New Book Store - Wangoi Bazar 11. M/S Rakesh Book Store - Wangoi Bazar 12. Sangai Book Store - Samurou Bazar 13. Lily Book Store - Oinam Bazar 14. I.K. Book Store & Xerox Point - Bishnupur Bazar 15. Tamo Photo Studio - Ningthoukhong Bazar 16. Romee Book Store - Moirang Lamkhai 17. Ibeyaima Gallery - Moirang Bazar 18. Leima Book Store - Nambol Bazar 19. C.I. Book Store - Nambol Bazar 20. Sharma Distributor - Yairipok Bazar 21. Yai Bros - Yairipok Bazar 22. Habib Stationery - Yairipok Azad Golai 23. Hee Yai Enterprieses - Sangakpham 24. Phijam Stationery - Chingmeirong Khongnang Ani Karak 25. Leirik Stationery - Khumbong Bazar 26. L.K. BookStore - Lamlong Bazar 27. Compact Service - Khoyathong 28. Taurus Stationery RIMS gate 29. Grand Paper Mart - RIMS gate, 30. Shila Book Store, Thoubal Bazar 31. Amar Book Store - Khangabok Bazar 32. Eikhoigi Enterprises - Kwakeithel Bazar

HL-B/5513/27-6/26-7

Please Contact: 9612194500 / 6009103078



## / খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নাম্থবা, নাম্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, ফম্বা মতমদসু শৌজ অমুক তারকপা, অমাংথোঙদা মখুল অনী হুৎলগা নাই চারকপা, নাই অদু মেৎথোকখ্রগনা চিকপা নাবদু ফহনবগীদমক ওজাবু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নাম্থবা, নাম্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, ফম্বা মতমদসু শৌজ অমুক তারকপা, অমাংথোঙদা মখুল অনী হুৎলগা নাই চারকপা, নাই অদু মেৎথোকখ্রগনা চিকপা নাবা ফবা, খোঙ হাম্বদা অমাংথোঙদগী ঈ তারকপা, শা-ঙা, থাও-মোরোক চাবা য়াদবা, চারগনা অমাংথোঙ মপান্দা নাই চারগা য়াম্না চিকপা নাবা হেনবা, চাদ্রিবমখৈ হকচাংদা নুংঙাইবা, খোঙ হাম্বা মতমদা হামেং মথিগুম্না মৰু-মৰু হাম্বা, হকচাং য়াম্না চোকথ-ৱাম্থবা, হৈনীং-শিংনীংদবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, পুক গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুকচেপ নাবা, ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা য়াম্না হাকৎচবা, ফৈগন অনীমক চিকপা নাবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, খোঙ খূৎ শজিং হৌরগা শিথবগুম্বা, করিগুম্বা পোৎ অমা পায়বদা খূৎতগী তাখিবা খঙহৌদবা তৌরম্বা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা MV Azad Phusam বু হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday & Wednesday open)
4. Mayang Imphal Bangoon Leirak Achouba (6am to 10am)

HL-P/3395/26

*থাগৎচরিবী :* **K. Thambal Devi,** Thanga



## / খোঙ হাম্বা মতম কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙদা চিকপা নাবা, চ্যেরগুম্বা অমদি ফালগুম্বদা ফম্বা ঙমদবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক্তা য়েক্লা য়েক্লগা খোঙ মচিৎ মচিৎ হাম্বা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা মতম কুইনা নাদুনা খোঙ হাম্বা মতম কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, করিগুম্বা মতমদসু খোঙ হাম্বা য়ারক্তবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা ঈ তারক্কনি খনবদা, হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা, ঈ তাবা মতমদা হকচাং মপাঙ্গলসু শোন্থরকপা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা নাবা তৌরগা চ্যেরগুম্বা অমদি ফালগুম্বদা ফম্বা ঙমদবা, অমাংথোঙদা লূম-লূম লাওরগা লৈবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক য়েক্লা য়েক্লগা খোঙ হামনীংলগতা লৈবা, খোঙ হাম্বা মতমদা কোঙ্গোল অমদি মনাং য়াওরকপা, মরক মরক্তা অমাংথোঙদা চক-চক থিল্লকপা, চানীং-থক্লীংবা পোক্তবা, চাবা তুমদবা, কাময়া অনীমক নাবা, খ্বাং য়াম্না নারগা খাংফম খঙদবা, ঙকশম মরী নাবা, খোঙয়া শাবা, ফম্বী শোনবা, শগল অনীমক চিকপা নাবা, য়াংলেন শৰুদা চেল্লগা চিকপা নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat. (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal Konchak Bazar. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wednesday & Saturday Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/3442/26

*থাগৎচরিবী :* **Y. Ibemcha Devi,** Singjamei



## 2019 - 2020 SESSION
## MBBS IN ABROAD & INDIA

Direct Admission without Screening Test & Donation, (Neet Qualified & Non-Qualified)

ABROAD UNIVERSITIES

O.O. Bogomolets, Lviv National, Ivano Frankivsk, Vinnitsa National, Bukovinian State, International Academy, Odessa National — UKRAINE

Voronezh State, Orel State, Belgorod State — RUSSIA

Zala-Abad State, Kyrgyz State — KYRGYZSTAN

South Kazakhstan, Astana Medical — KAZAKHSTAN

Anhui Medical, Dalian Medical — CHINA

East European — GEORGIA

Lowest Package Rs. 11 L. to Rs. 25 L. only, Recogd. by NMC(MCI).

INDIA

18 Medical Institutes in UP State. (Neet Qualified Marks is 200 only) Lowest Package Rs. 55 L. to Rs. 67 L. only

Please Contact:-
Y. Nodiyachand Singh (Advocate)
Shamurou Mayai Leikai, Ward No.8
For:- "Siva EducationTrust"New Delhi
C/no. 9612159012 / 9612294036

HL-P/3465/24,26,28,30,1,3,5,7,9,11,18,19